# ৱুশু মশান্নদগী অর্জুনা এৱার্দ অহুম পুরকপা ঙম্বসিনা তাক্লিবদি গেম মখলসি ঐখোয়গা চানৈ হায়বনি



ৱাই সনাথোই
*(অর্জুনা এৱার্দি, ৱুসু)*

(ঙরাংগী মখা)

ঐখোয়না ঙসি ৱুশু মশান্নদা ইন্দিয়াগী মায় পুরকপা ঙমজরিবা অসিদি থৱায় য়াওনা হোৎনজরকপা, ঐখোয়গসু খরা চানবদগীনি। ৱুশুগী হৌরকফম ওইরিবা চাইনাদা তৌহৌরিবা ময়ামদু উজরুবদা ইশাদা অঙকপদুম পোকই। ইন্দিয়াদা ৱুশুগী লৈরিবা শান্নফমশিং অসিসু চাইনাগদি চাংদম্নবা য়াখিরোই। ইনফ্রা ষ্ট্রকচরগসি মখোয়গীদি য়াম্না এদভান্স ওইখ্রে। ইন্দিয়াগা য়েংনবদা য়াম্না খেনরি। চাইনাদা তৌহৌরিবা মওংসিদি পীক্লিঙৈ মতমদদি মশা মশাগা চানবা গেম মখলশিং খন্দোক্তুনা শান্নহনখ্রবনিনা হেক য়েংবদা প্লেয়রশিং অসি তোঙান্না তাই।

ইন্দিয়াগী ওইনদি হৌজিকসু থোইনা ইক্যুপমেন্ট শুনা থল্লগা শানবা হায়বদু ওইদ্রি। মীগী হোলমক্তা ওইরবসু হেক উবদা চেনশিন্দুনা শান্ননিংবা পোকহল্লি। চহী মতাং মতাংগী ওইনা ট্রেনিং সেন্টর অসিসু তোঙান-তোঙাননা থম্মী। ইন্দিয়াগী ওইনা তোইনা ৱুশুগী কেম্প তৌরিবা মফমদি ভোপাল (মধ্যা প্রদেশ)দনি। সান্দা অমদি তাওলুগী ইক্যুপমেন্টশিংসু মফমসিদা অয়াম্বা থম্মী। শান্নবগী ওইনা হেন্না সেন্টর চাবদি অন্ধ্র প্রদেশকী শিল্লারুনি। অদুবু মফমসিদা খুৎশু-খুৎলায়গী অৱাৎপা কয়া লৈবনা ট্রেনিং তৌবদা খুদোংচাদবা কয়া মরুম লৈ। অয়াম্বা মতমদা ভোপালগা অন্ধ্র প্রদেশকা মফম অনীসিদা ইন্দিয়াগী কেম্প অদুম চথে।

অমরোমদা, পাটিয়ালা (পঞ্জাব) অসি ইন্দিয়াগী ওইনা মরু ওইবা স্পোর্টস সেন্টর ওইজরগসু ৱুশুগী ওইনদি মতিক চাবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর অমত্তা লৈতে। মশান্না মখল খরগীদি ফজনা ট্রেনিং তৌবা অদুম য়াই। ৱুশুগীদমক্তদি পাটিয়ালাদা কেম্প চথবসি অৱাবা কয়া মায়োক্লে।



অদুমকপু, অয়াম্বা মতমদা শান্নরোয় ওইজরিবা ঐখোয়দি কোচশিংনা পীবিবা ট্রেনিংশিং য়াম্না থৱায় য়াওনা হোৎনজে। ঐখোয় হোৎনবা লেপ্পা হৌজিক্তী ইন্দিয়াগী কোচশিংসু করম করম্বা ইভেন্টকা ঐখোয়গা চানবগে হায়বসি মুন্না খঙলে। অদুনা ঐখোয়গা হেন্না চানবা ইভেন্টতা



য়াদেহায়দুনা ট্রেনিংসি চাং-নাইনা লেপ্তুনা অদুম তৌজে। ৱুশুগী প্লেয়র ওইজরিবা ঐখোয় ময়াম্না কন্না হোৎনজবদগীনি। ঙসিফাওবা মেদল লেপ্তুনা পুজরকপা ঙমজরিবসি।



থৱায় য়াওনা হোৎনবদগী চহী নৌরিবা প্লেয়রশিংসু মেদল পুরকপা ঙল্লে। ইন্দিয়াগী ওইনা মেদলগী আশা তৌবা হৌরক্লিবা ৱুশু প্লেয়রশিংগী মরক্তা মণিপুরদগীসু য়াওরি।

হৌজিক হৌজিক কন্না মমিং লৈরক্লিবা ইন্দিয়াগী ওইনা পঞ্জবা য়াবসি মণিপুরগী এন রোসিবিনা, হরিয়ানাগী প্রবিন... অসিনচিংবনি। অতৈ অঙাং কয়া অমসু ফগৎলক্লি।

অদুগা ঐখোয়না চৎচরুবা ট্রেনিং তৌজরুবা এসিয়াগী লৈবাকশিংদা তৌহৌবা ট্রেনিং মওংসিসু ইন্দিয়াগদি খরা খেন্নরে। চাইনাদদি ৱুশু প্লেয়র অমনা নোংমদা ট্রেনিং তৌরিবসি পুং মঙানি। অয়ুক্তা পুং অনী মখায়, নুংথিলদা পুং অনীমখাইনি। ইন্দিয়াগী ওইনা তৌরিবসিনা নোংমদা পুং তরুকনি।

মোর্নিংদা পুং অহুম, ইভনিংদা পুং অহুম সুমাইনা তৌই। ট্রেনিং তৌবসিসু চাইনাদদি অয়ুক্কী ব্রেক-ফর্ষ্ট ফজনা চারবা মতুংদা তৌবা হৌই। অয়ুক্কী পুং তরেৎ তাবদগী ক্লাস চথবদুনা নুমিৎয়ুংবা ফাওবা তৌই। নুমিৎয়ুংবা মতমসিদা লঞ্চ চাই। হেক লোইবা মতুং মিনট ১০/২০ মুক লৈরগা ক্লাস অমুক চথে। মদুনা নুংথিলগী পুং ৩ ফাওবা তৌই। অদুনা পুং ৩গী মতুংদগীদি ফজনা পোথাবগী মতম ফঙই। অয়ুক্কা নুংথিলগা অনীসিদদি ফজনা তকখায়। ট্রেনিং তৌবসিদা য়াম্না সিরিয়স ওইনা তৌই। অদুনা ঐখোয়দা য়াম্না নুংঙাই। অহানবদা খরা ৱানা থোকচরবসু ঙম্ননবা হোৎনরকপদা মমৈথংদদি য়াম্নসু নুংঙাইরকখি। চাইনাদি পীশক পীকপা অঙাংদগী হৌরগা অহল ওইবা মীওই ফাওবা ৱুশুগী ইভেন্টশিং অসি চান-চানবা খল্লগা লোইনা শান্নবনিনা মীপুম খুদিংমকসি মশা লোইনা ফবগুমসু ঐখোয়দা খলহল্লি। ট্রেদিসনগী ওইবা মশান্না অমসু ওইবনিনা চাইনাগী মফম কয়াদা পাক-শন্না শান্নবসু থেংনজরকখি।

... মথং মথং ...

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ১০৬

১) কুমজা ১৯৭৪ দা ইম্ফালদা পাঙথোকখিবা খ্বাইদগী চাওবা শান্নবগী থৌরম অদু করিনো?

২) জেসি ওৱেন (অমেরিকা) অমসুং লোঙ লটজ (জর্মনি) মরুপনি। লোঙ লটজ অনিশুবা লাঞ্জাওদা শরুক য়াখিবদা অফ্রিকাগী মফম অমদা লৈখিদে। মখোয় অনী অরোইবা ওইনা করম্বা মফমদা উনখি।

৩) অসাম ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট অহানবা ওইনা পাঙথোকখিবদা মণিপুরগী টিমসু শরুক য়াখি। টুর্নামেন্ট অদু করম্বা মফমদা পাঙথোকখি?

৪) ঐনা মহাকপু ওলিম্পিক্কী লমজেন্দা মায়থীবা পীদুনা অহুমশুবা তাখি। অদুবু মহাক লৈবাক অমগী গভর্ণর জেনরেল ওইখি। মহাক ইংলেন্দগী নিংথৌরেল অমদি মহাক্কী ইমুং-মনুংগী দাক্তর চহী ৩০ হেন্না ওইরম্মী। মহাক কনানো?

৫) উৎলিবা শক্তম অসি কনানো? →



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম নবেম্বর ১৫, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# য়ু ২৩ ৱর্ল্ড রেষ্টলিংদা রবি ব্রোঞ্জ মেদল প্লে-ওফতা মায়থীহৌরে, ইন্দিয়া সিলভর ২ ফংলগা লোইশিনখ্রে

বুদাপেষ্ট, নবেম্বর ০৪ (এজেন্সী): নুপাগী কিলোগ্রাম ৯৭কী গ্রেকো-রোমান কেটগোরিদা ইন্দিয়াগী রেষ্টলর রবি রাথি ব্রোঞ্জ মেদলগী প্লে-ওফ মেচতা বেলারসকী রেষ্টলর দিমিত্রি কামিন্সকিগী মখুৎতা মায়থীহৌদুনা বেদল ফংখিদ্রে। ইন্দিয়াগী টিম চেম্পিয়নশিপ অসিদা সিলভর মেদল অনী ফংগল কেম্পেইন লোইশিনখ্রে।



রবি রাথিনা ঙরাং রেপিছেস বাউটতা কিরকিস্থানগী রেষ্টলর উজের ঝুজুবেকোবকা লম্বা তৌনবদা পোইন্ট ৩-১দা মায় পাক্তুনা ঙসি ব্রোঞ্জ মেদলগী প্লে-ওফকীদমক ক্বালিফাই ওইখিবনি। ঙসি মহাক্না ব্রোঞ্জ মেদল ফংনবগীদমক্তা বেলারসকী রেষ্টল দিমিত্রি কামিন্সকিগা লম্বা তৌনরকপদা য়াম্না শোথনা পোইন্ট ০-৮তা মায়থীবা নংদুনা মেদল ফংবগী খুদোংচাবা অদু মাঙখিবনি।

রবি রাথি ব্রোঞ্জ মেদল ফংহৌদবা অদুনা মরম ওইরগা হঙ্গেরিগী কোনুং বুদাপেষ্টতা পাঙথোক্লিবা চহী ২৩ মখাগী ৱর্ল্ড রেষ্টলিং চেম্পিয়নশিপ অদুদা ইন্দিয়াগী টিম সিলভর মেদল অনী ফংলগা কেম্পেইন লোইশিনখি।

ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী সিলভর মেদল ফংখ্রবা রেষ্টলরশিং অদুদি কে জি ৬১গী নুপাগী কাংলুপ্তা রবিন্দর অমদি নুপীগী কিলোগ্রাম ৫৩গী কাংলুপ্তা পুজা গেলোতনি।

চেম্পিয়নশিপ অদুদা ইন্দিয়াগী নুপগী ফ্রিষ্টাইল রেষ্টলিং টিমনা পুন্না পোইন্ট ৪৮ ফংদুনা ১১ শুবা পোজিসন তাখি। অমরোমদা ইন্দিয়াগী নুপীগী টিমনা ফ্রি ষ্টাইলদা ১২ শুবা পোজিসন অদুগা গ্রেকো-রোমান কাংলুপ্তা ১৫ শুবা পোজিসন তাখি। মমাঙদা পাঙথোকখিবা চেম্পিয়নশিপ্তুগী হন্দক্কী অসিনা হেন্না ফজবা পর্ফোমেন্স উৎখি।

# ইন্দিয়াগী নুপীগী ক্রিকেট শান্নরোয়শিংনা ৱেষ্ট ইন্দিজগী টিমবু রন ৫৩দা মায়থীবা পীবা ঙমখ্রে

এন্টিগ্বা, নবেম্বর ০৪ (এজেন্সী): ইন্দিয়াগী নুপীগী ক্রিকেট টিমনা ৱেষ্ট ইন্দিজদা শান্নরিবা ক্রিকেট সেরিজগী মনুং চনবা ৱান দে ইন্টর্নেসনল মেচকী ঙরাং অথেংবদা লম্বা তৌনখিবা অনীশুবা মেচ অদু ইন্দিয়ানা রন ৫৩দা মায় পাকপা ঙমখ্রে।



মেচ অদুগী টোস ইন্দিয়াগী কেপ্টেন মিথালি রাজনা ঙমদুনা বেটিং হান্না তৌনবগী ৱারেপ লৌখি। মদুদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী শান্নখিবা ওগর ৫০গী মনুংদা বেটচৰিমেন ৬ আউট ওইরগা শুপ্পগী রন ১৯১ লৌখি।

ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী শুপ্পগী শান্নরোয় ৩থক রন লৌবা মতমদা ফজবা ঙমখি। মখোয়শিং অদুদা ৩শুবা বেটচৰিমেন পুনম রাৱতনা বোল ১২৮ মায়োক্লবদা ফোর ৪ য়ৈরগা রন ৭৭ লৌবা ঙমখি।

মহাক্কী মতুংদা কেপ্টেন মিথালি রাজ বোল ৬৭তা রন ৪০ লৌখি। হরমন প্রিটকোরনা ফোর ৪ য়ৈবগা লোয়ননা অপুনবা স্কোর অদু ৫২ শুবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী ঙরাংগী ৱেষ্ট ইন্দিজগা শান্নখিবা ৱান দে ইন্টর্নেসনল মেচ অদুগী ইনিংস লোইশিল্লকপদা ৱিকেট ৬ তুরগা ওভর ৫০দা রন ১৯১ লৌরগা মেচ অদুগী মায় পাক্লবগীদমক ৱেষ্ট ইন্দিজনা রন ১৯২ লৌবগী টার্গেট লৈখি।

ৱেষ্ট ইন্দিজগী ইনিংস অদু হৌরকপদা টিম অদুগী ওপনর অনী নতাসা মেক্লিন অমসুং ষ্টেসি আন কিং মথং শীৎনা রন ১৫ অমসুং ৬ লৌরগা আউট ওইখি। মখোয়গী মহুৎ শীল্লকখিবা সিমেন কেম্বেল অমসুং কেপ্টেন ষ্টাফানি টেলরনা শোকচিল্লিবা স্কোর বোর্দ অদুবু পুখৎনবা হোৎনরমখি।

কেম্বেল রন ৩৯দা আউট ওইখ্রবা মতুং কেপ্টেন ষ্টাফানিসু রন ২৯দা আউট ওইখি। মখোয় অনীনা ৱেষ্ট ইন্দিজগী মায়কৈদগী খ্বাইদগী চাওনা রন লৌবা ঙমখি। মখোয়বু কন্না শৌগৎখিবা শান্নরোয়শিংগী মনুংদা রন ১৫ লৌরল্লগা শোকপদগী মখা তানা শান্নবা ঙমখিদবা ওপনর নতাসা মেক্লিন, রন ১৬ লৌখিবা ৯শুবা বেটচৰিমেন এলিন অমসুং রন ১৪ লৌখিবা ১০শুবা বেটচৰিমেন এফি ফ্লেচরনি।

ৱেষ্ট ইন্দিজগী ইনিংস অদু ওবর ৪৮গী ২ শুবা বোলদা বেটচৰিমেন ১০মক আউট ওইরগা রন ১৩৮ লৌখি। ৱেষ্ট ইন্দিজগী ইনিংস অদুবু মপুং ফাহনখিদবা অদুদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা ইন্দিয়াগী বোল্লরশিং অদুদি ৱিকেট ২/২ লৌখিবী রাজেশ্বরী গেক্বাদ, পুনম যাদব অমসুং দিপতি শর্ম্মা লোয়ননা ৱিকেট অমমম লৌখিবা জুলন গেস্বামি অমদি সিখা পান্দেনি।

# নোবাক জোকোবিসপু ইন্থরগা রাফেল নদালনা নুপাগী টেন্নিস শান্নরোয়শিংগী রেঙ্কিংদা মকোক থোংবা ঙমখ্রে

পেরিস, নবেম্বর ০৪ (এজেন্সী): মালেমগী নুপাগী টেন্নিস শান্নরোয়শিংগী সিঙ্গলসকী কাংলুপ্তা মকোক মথং তাবগী পরিংদা হান্নগী নম্বর ১ ওইরম্বা সর্ভিয়াগী নোবাক জোকোবিসপু ইন্থরগা স্পেনগী শান্নরোয় রাফেল নদালনা মকোক থোংবা ঙমখ্রে।





ঙরাং নোবাক জোকোবিসনা পেরিসতা পাঙথোকখিবা পেরিস মাষ্টর্স টেন্নিস টুর্নামেন্টকী টাইটল অদু কানাদাগী শান্নরোয় দেনিস সাপোভালোপবু মায়থীবা পীদুনা লৌবা ঙমখ্রবসু মালেমগী টেন্নিসকী খ্বাইদগী চাওবা লুপ ওইরিবা এসোসিএসন ওফ টেন্নিস প্রোফেস্নেলস (এ টি পি)গী মায়কৈদগী ঙসি খ্বাইদগী নৌনা থোরকপা নুপাগী টেন্নিস শান্নরোয়শিংগী মকোক মথং তাবগী পরিংদা নবোক জোকোবিসতগী রাফেল নদালনা এ টি পি পোইন্ট ৬৪০ হেন্দুনা অনৌবা নুপাগী ৱর্ল্ড নম্বর ১ শান্নরোয় ওইবা ঙমখ্রে।

কুমজা ২০১৯দা স্পেনগী রাফেল নদালনা গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট ৪ লৈবগী মনুংদা ফ্রেন্স ওপন অমসুং য়ু এস ওপনগী টাইটল লৌবা ঙমখি। নাকল অমরোমদাং নোবাক জোকোবিসনা ওষ্ট্রেলিয়া ওপন অমসুং ৱিম্বলদন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী টাইটল লৌবা ঙমখি।

রাফেল নদাল ঙরাং নোবাক জোকোবিসনা টাইটল লৌখিবা পেরিস মাষ্টর্স টেন্নিস টুর্নামেন্ট অদুগী সেমি ফাইনেলদা মপুং ফানা শান্নবা ঙমদবদগী মহাক্কী লম্বা দেনিস সাপোভালোপ্তা ৱার্কওবর পীখি। চহী অসিগী লোইশিল্লকপা পাঙথোক্নদৌরিবা ৱর্ল্ড টুর ফাইনেলসতা হৌজিক লৈরিবা নুপাগী টেন্নিস শান্নরোয়শিংগী মকোক মথং তাবগী পরিংদা রাফেল নদালনা মকোক ওইনবগীদমক্তা টুর অদুগী ফাইনেলসকী রাউন্দ রোবিন মেচ অমা মায় পাকপা মথৌ তারি। অমরোমদা, নোবাক জোকোবিসনা টুর ফাইনেলস অদুগী গ্রুপ ষ্টেজকী মেচ অনী থোইবা তঙাইফদ্রি।

হায়রিবা টুর্নামেন্ট অদুদা নোবাক জোকোবিস অমসুং রাফেল নদালনা শরুক য়ারকপদা টাইটল অদু নোবাক জোকোবিসনা লৌবা ঙল্লবা অদুগা রাফেল নদালনা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমদ্রবদি ৱর্ল্ড রেঙ্কিংদা জোকোবিসনা নম্বর ১ অমুক ওইগদৌরি। অদুবু নদালনা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙল্লবা অদুগা জোকোবিসনা টাইটল ফংলবসু চহী অসিগী লোইশিল্লকপদা নম্বর ১গী পোজিসন অদু স্পেনগী রাফেল নদালনা অদুমক ওইবা ঙমগদৌরি।

ঙসি এ টি পিগী মায়কৈদগী থোরকখিবা খ্বাইদগী নৌনা নুপা টেন্নিসকী সিঙ্গলস শান্নরোয়শিংগী মকোক মথং তাবগী পরিংদা লৈরিবা শান্নরোয়শিং অদুদি, রাফেল নদাল (পোইন ৯৫৮৫), নোবাক জোকোবিস (৮৯৪৫), রোজর ফেদরর (৬১৯০), দেনিল মেদবেদেব (৫৭০৫), দোমিনিক থিয়েম (৫০২৫), ষ্টিফানোস সিসিপাস (৪০০০), অলেকজেন্দর জ্বেরেব (২৯৪৫), মার্টিও বেরেটিনি (২৬৭০), রোবর্টো বাটিস্তা (২৫৪০), গেল মোনফিলস (২৫৩০), দেবিদ কোফিন (২৩৩৫), ফাবিয়ো ফোগনিনি (২২৯০), কৈ নিসিকোরি (২১৮০), দিএগো স্বার্টমেন (২১২৫), দেনিস সাপোভালোব (২০৫০), ষ্টান ৱারিঙ্কা (২০০০), কারেন খচানোব (১৮৪০), এরেক্স দি মিনোর (১১৭৫), জোন ইস্নর (১৭৭০) অমসুং গ্রিগোর দিমিত্রোব (১৭৪৭)নি।

# চাইনা ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী কে স্রিকান্ত ৱিদ্রো তৌখ্রে, সিন্ধু অমসুং সাইনা টাইটলগী মীৎয়েং থমখ্রে

ফুজৌ, নবেম্বর ০৪ (এজেন্সী): চাইনাগী সিটি ফুজৌদা হয়েংদগী হৌগদৌরিবা য়ু এস দোল্লর ৭০০,০০০গী শেলগী মনা লৈবা চাইনা ওপনবেদমিন্টন টুর্নামেন্টতা মমাঙদা নুপাগী ৱর্ল্ড নম্বর ১ ওইরম্লবা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় কিদম্বী স্রিকান্ত ৱিদ্রো তৌখ্রে। নুপীগী মায়কৈদা ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন পি ভি সিন্ধু অমসুং সাইনা নেহৱাল টাইটল লৌনবগীদমক মীৎয়েং থমখ্রে।





কিদম্বী স্রিকান্ত চাইনা ওপন বেদমিনটন টুর্নামেন্ট অসিদা মমাঙদা শরুক য়াগনি হায়না তৌরম্বনি। মহাক্না শরুক য়ারম্লবদি হৌজিক হৌজিক ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ২রক ওইবা ঙমখ্রবা অদুগা ৱর্ল্ড নম্বর ১সু ওইরিবা জপানগী কেন্তো মোমোতাগা লম্বা তৌনরমগদবনি। শোকপদগী শরুক য়াবা ঙমখিদ্রবা কিদম্বী স্রিকান্তনা সিজন অসিগী অরোইবা টুর্নামেন্ট ওইগদৌরিবা হোং কোং ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতা মথংগী চয়োলদা শান্নবগী পান্দম থল্লি।

ফুজৌদা পাঙথোক্নদৌরিবা চাইনা ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিদা নুপীগী ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধু অমসুং মমাঙদা মকোক থোংবা শান্নরোয় অমা ওইরম্লবী সাইনা নেহৱালনা টাইটল ফঙননবা মীৎয়েং থল্লি।

টুর্নামেন্ট অদুদা ৬শুবা সিদেদ ওইনা শরুক য়ারিবা পি ভি সিন্ধুনা অহানবা রাউন্দদা জর্মনিগী শান্নরোয় য়োনে লিগা লম্বা তৌনগনি। অমরোমদা ৮ শুবা সিদেদ ওইরিবী সাইনা নেহৱালনা চাইনাগী সাই য়ানয়ানগা অহানবা রাউন্দ থেংনগনি। সিন্ধুনা মহাক্কী হৌরকপা রাউন্দশিং অদু মায় পাক্লবদি ক্বার্টর ফাইনেলদা স্পেনগী কেরোলিনা মারিন নত্রগা ৱর্ল্ড নম্বর ১ টাইৱানগী টাইজু য়িংগা শান্নবা য়ারি।

অমরোমদা, সাইনা নেহৱালনা মহাক্কী অহানবা রাউন্দ অনী মায় পাক্লবদি ক্বার্টর ফাইনেলদা জপানগী অকানে য়ামাগুচিগা থেংনবা য়াবগী খুদোংচাবা লৈরি।

# ইন্দিয়াগী চহী ১৭ মখাগী নুপীগী ফুটবোল টিমনা ফিফা ৱর্ল্ড কপকীদমক্তা অকনবা ট্রেনিং কল্যানি ফুটবোল ষ্টদিয়মদা চথগদৌরি

কল্যানি, নবেম্বর ০৪ (এজেন্সী): কুমজা ২০২০দা ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইরগা পাঙথোক্নদৌরিবা নুপীগী চহী ১৭ মখাগী ফিফা ৱর্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টগী শেম শাবা ওইনা ইন্দিয়াগী টিম অসিনা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী কল্যানি ফুটবোল ষ্টেদিয়মদা নুমিৎ ১০নিগী ওইবা অকনবা ট্রেনিং অমা থা অসিগী অরোইবদা পাঙথোক্লগনি।



চহী ১৭ মখাগী ইন্দিয়াগী ফুটবোল টিম অসি হৌখিবা থা ৬ অসিদা অকনবা ট্রেনিং চথুদুনা লাক্লিবনি। অতেনবা ব্রেক অমা পীরবা মতুং শান্নরোয়শিং অসিনা থা অসিগী ৯দগী হৌরগা নুমিৎ ১০নিগী ওইবা ট্রেনিং অমুক চথগদৌরিবনি।

ট্রেনিং কেম্প অদুদা শরুক য়ারিবা ফিফা ৱর্ল্ড কপ ২০২০দা ইন্দিয়াগী মহুৎ শীনগদৌরিবা শান্নরোয়শিং খন্নবগীদমক্তা টিম মরি থোক্লা খাইদোক্তুনা নবেম্বর ১১, ১৩ অমসুং ১৫দা রাউন্দ রোবিন ফোর্মেটতা লম্বা তৌনহনগদৌরি।

টিম অসিগী চীফ কোচ ওইরিবা এলেক্স এমব্রোসনা হৌখিবা থাদা সাউথ এসিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী চহী ১৫ মখাগী নুপীগী ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ্তা ইন্দিয়াগী টিম অদুবু লমজিং লমতাকখিবনি। মহাক্লা ফোঙদোকখিবদা টিম ৪ থোক্লগা কেম্পতা শরুক য়ারিবা শান্নরোয়শিং অদুনা মখোয় মশেল লম্বা তৌনবদা মতিং থোকপা শান্নরোয় খনবা ঙম্বগী অচৌবা খুদোংচাবা অমা লৈ হায়খি।

লাক্কদৌরিবা নুমিৎ ১০নিগী কল্যানিগী ফুটবোল কেম্প অসিনা ইন্দিয়াগী ফিফা ৱর্ল্ড কপ ২০২০দা শরুক য়াগদবা শান্নরোয়শিং খনবদা অচৌবা মতেং অমা ওইগদৌরি।